# পিএম ইমরান খানগী পাউতাক্তা প্রসিদেন্টনা পাকিস্তানগী নেসনেল এসেমব্লি মুখৎখ্রে, নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা মীখল পাঙথোক্লগনি



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ৩ (এজেন্সী):

পাকিস্তানগী প্রসিদেন্ট অরিব অলবিগী পাউতাক্তা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না নেসনেল এসেমব্লি মুখৎখিবগা লোয়ননা নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না পাকিস্তানগী হান্নগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং ফরুক হাবিবনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হাবিবনা হায়খি, মদুদি মপানদা লৈরিবা পাকিস্তানিশিংদা ভোট থাদবগী রাইট পীরি। মরম অদুনা ওপোজিসননা মপানদা লৈরিবা পাকিস্তানিশিংগী রাইট অদু মাঙহনবা ঙম্লোই। মতম কয়াগী মমাঙদগী ঙাঙনদুনা লাকপা প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়োক্তা পুখৎপা নো-কনফিদেন্স মোসন নোংমাইজিং নুমিত্তা নেসনেল এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকর তাসিম সুরিনা দিসমিস তৌখি। মদু কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৫ গা তাইওন্নে হায়রদুনা মহাক্না মোসন অদু দিসমিস তৌখিবনি।

নো কনফিদেন্স মোসন অদু দিসমিস তৌরবা মতুং মিনিট খরা লৈরগা টেলিভিজনদা ৱা ঙাঙবদা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা হায়খি, মদুদি মহাক্না এসেমব্লি খুদিংমক মুখৎনবা প্রসিদেন্টদা পাউতাক পীখ্রে। লৈবাক অসিগী মীখল ঙন্না পাঙথোক্লগনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী পাউতাক অদুগী মতুং ইন্না প্রসিদেন্টনা নেসনেল এসেমব্লি মুখৎখিবনি।

অমরোমদা, নোংমাইজিং নুমিৎকী খোঙথাং অদুবু লৈবাক্কী থাজবা চাওনা মাঙহনবগা মান্নে হায়না নেসনেল এসেমব্লিদা ওপোজিসনগী লুচিংবা ওইরিবা সেহবাস সরিফনা ফোঙদোকখ্রে।

সরিফনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা দোনগী রিপোর্টনা হায়, ইমরান খাননা লৈবাক অসিদা কাংখোং চাইবা ফিভম অমা লাকহন্নবা শিল্লে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা ইমরান খান অমসুং মহাক্কী কাঙবুশিং খুদোংচাদবা ফিভম কয়া মায়োক্নরক্লগনি। মহাক্কী থৌওং অসিনা কন্সটিট্যুসনবু ইফোঙ ফোঙনা ভাইওলেট তৌই।

হিরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা লৌফম থোকপা থৌরাং লৌরক্কনি হায়না মহাক্না থাজে। খোঙথাং অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীরদুনা পাকিস্তান পিপলস পার্টি (পিপিপি) গী চিয়ারমেন বিলাৱল-বুটো জর্দারিনা হায়খি, মদুদি নো কনফিদেন্স মোসনগী ভোটিং য়াদবা হায়বসি গভর্নমেন্টনা কন্সটিট্যুসনবু খোঙ্গাওনবা অমনি। ওপোজিসন অপূনবনা পার্লিয়ামেন্ট থাদোকপা তৌরোই। ঐখোয়গী উকিলশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা মুভ তৌরগনি। কন্সটিট্যুসন ওফ পাকিস্তান ঙাক শেন্নবা অমদি ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা ঐখোয়না ইন্সটিট্যুসন পুম্নমক্তা আপিল তৌরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পাকিস্তান মুস্লিম লিগ-নৱাজকী ভাইস প্রসিদেন্ট মারিয়ম নৱাজনা হায়খি, মদুদি কনামত্তনা মখোয়গী সিট কন্নবগীদমক্তা লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসনবু খোঙ্গাওনবা য়াহল্লোইদবনি।

ক্রাইম অসিদা চেন্নরিবশিং চৈরাক ফঙহন্দবা তারবদি ঙসিগী মতুংদগীদি লৈবাক অসিদা জঙ্গল লো চৎনরক্লগনি।

অমরোমদা, ঙসি থোকখিবা থৌদোক অসিগা মিলিটরিগা মরী অমত্তা লৈনদে হায়না ইন্টর সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আইএসপিআর) গী দিরেক্তর মেজর জেনরেল বাবর ইফটিখরনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা লাক্লিবা পোলিটিকেল দিভলপমেন্টশিং অসিদা আর্মি চেন্নবগী ৱাফম লৈব্রা হায়না হংবদা দিজিআইএসপিআরনা আর্মি চেন্নবগী ৱাফম লৈতে হায়খি। নেসনেল এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকরনা নেসনেল এসেমব্লি মুখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা পুখৎপা নো কনফিদেন্স মোসনগী ভোট লৌননবা পাঙথোকপা সেসন কন্সটিট্যুসনগী চৎন কাংলোনগী মায়োক্তনি হায়রদুনা এদজোর্ন তৌরগনি হায়খি।

# অথিংবশিং লৌথোক্ত্রবদি আইএসএস কো-ওপরেসন লেপকনি হায়না রসিয়ানা কিহনখ্রে



মোস্কো, এপ্রিল ৩ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনদা লান্দখিবা মতুংদা রসিয়াদা থল্লকখিবা শেল থুম অমদি অতৈ অথিংবা কয়া লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন (আইএসএস) তা লৈবাক কয়াগা কো ওপরেসন পীনরিবসি লেপকনি হায়না রসিয়ানা কিহনখ্রে।

রসিয়ন স্পেস এজেন্সি রোস্কোসমোসকী মকোক দমিট্রি রোগোজিননা ট্যুটর পোষ্টতা হায়খি, মদুদি আইএসএস অমসুং অতৈ প্রোজেক্টশিংদা পার্টনরশিংগী মরক্তা মহৌশাগী মরী হঞ্জিলহনবা হায়বসি লোনা য়াদবা অথিংবশিং মপুং ফানা অমদি কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা লৌথোক্লবা মতমদতা ওইথোক্কনি।

রোগোজিননা হায়, অথিংবশিং অসিগী পান্দমদি রসিয়ন ইকনোমিবু শিহনবা, ঐখোয়গী মীয়াম্বু মীপায়হনবা অমদি চাবা ফঙহন্দবা লোয়ননা লৈবাক অসিবু খম থেংনা ৱাহনবা অসিনি। রোস্কোসমোসনা অথুবা মতমদা আইএসএসতা রসিয়া চেন্নরিবসি করম্বা মতমদা লেপকদগে হায়বগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌরগনি।

পরিং নাইনা থাগৎপা ত্বিটশিংদা মহাক্না হায়খি, মদুদি নাসা, য়ুরোপিয়ন স্পেস এজেন্সি অমসুং কনাদিয়ন স্পেস এজেন্সিদা লেটরশিং ইদুনা অথিংবশিং অদুবু লৌথোক্নবা মহাক্না আপিল তৌখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি রসিয়ন রোকেট অমসুং স্পেস ইন্দষ্ট্রিগী ইন্টরপ্রাইজ কয়াগী মায়োক্তা থল্লিবশিং লৌথোক্নবা তকশিন্দুনা মখোয়দা ঐহাক্না আপিল তৌবদা নাসাগী মকোক সিনেটর নেলসন, য়ুরোপিয়ন স্পেস এজেন্সিগী মকোক জোসেফ অসভাচর অমসুং কনাদিয়ন স্পেস এজেন্সিগী মকোক লিজা কেম্বেলনা রেস্পোন্স তৌরক্লে।

রোগোজিনগী আপিল অদুগী পাউখুম ওইনা নাসাগী এদমিনিষ্ট্রেসন নেলসন্না হায়খি, মদুদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইন্টরনেসনেল গভর্নমেন্ট স্পেস কো ওপরেসনশিং মরু ওইনা রসিয়া, কনাদা, য়ুরোপ অমসুং জপানগা লোয়ননা আইএসএস ওপরেট তৌবগা মরী লৈনবা এক্তিভিটিশিং মখা তানা শৌগৎলি।

অনৌবা অমসুং হৌজিক লৈরিবা য়ুএসকী এক্সপোর্ট কন্ট্রোলগী থৌরাংশিংনা রসিয়া অমসুং য়ুএসকী মরক্তা মখা তানা কোওপরেসন পীনবা য়াহল্লি। মসিনা আইএসএস মখা তানা সেফ ওপরেসন য়াহনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

রোগোজিনগী ৱাফম অদুগী পাউখুম পীরদুনা সিএসএনা হায়খি, মদুদি কনাদানা আইএসএস প্রোগ্রাম মখা তানা সপোর্ট তৌই। মসিবু সেফ ওইনা অমসুং মায় পাক্না ওপরেট তৌনবা হোৎনবদা কনাদানসু মখা তানা কোওপরেসন পীখিগনি।

# ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি ট্রুপশিংনা পেলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট অহুম হাৎখ্রে



জেরুসলম, এপ্রিল ৩ (এজেন্সী):

ইজরেল্লি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা পেলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট অহুম হাৎখ্রে। ইজরেলদা টেরোরিষ্ট এটেক্ট কয়া পরিং নাইনা চথরকখিবগী মায়োক্তা ট্রুপশিংনা মখোয়গী ওপরেসনশিং হেন্না কনখৎখিবনি।

ইজরেল্লি পুলিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, টেরোরিষ্ট কয়ানা এটেক্ট পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়বা অরোনবা পাউ অমা ফঙবদগী অৱাং থংবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা গাড়ী থৌরকপা মিলিটেন্ট কাঙবু অমা ইন্টরসেফ তৌখি। মতুং তাবা খুৎ থোক্লবদা মীওই অহুম শিখি অমসুং ইজরেল্লি লান্মী মরিসু অশোক অপন নঙখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা ইজরেল্লি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইস্লামিক জিহাদকী মেম্বর অহুম হাৎলে হায়বসি মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা কনফার্ম তৌখি। তৌইগুন্বসুং মখোয়না এটেক্ট চথনবা হোৎনখি হায়বা ক্লেম অসিগী মতাংদদি পলহনখিদে।

মীওই অহুম শিখিবসি থারগা চয়োল অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি মিলিটরি ওপরেসনশিংদা শিখিবা পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মশিং য়ামদ্রবদা তরুক শুরে।

পেলেষ্টিনিয়ন হেল্‌ঠ ওফিসিএলশিংগী মতুং ইন্না অৱাং থংবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা জেনিন সিটিদা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা রেইদ চথবদা অতৈ মীওই অহুমসু শিখি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সেন্ট্রেল ইজরেলগী সিটি অমা ওইরিবা বানৈ ব্রাক্তা পেলেষ্টিনিয়ন গনমেন অমনা মীওই মঙা হাৎখিবদগী ইজরেল্লি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইজরেল অমদি ওক্যুপাইদ টেরিটোরিদা ট্রুপ দিপ্লোইমেন্ট হেনগৎহনখি।

বানৈ ব্রাক্কী থৌদোক অদু ইজরেলদা মার্চ ২২ দগী চথরকখিবা টেরোরিষ্ট এটেক্টশিংদা মীওই ১১ শিহনখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি। আর্মিগী মায়কৈদগী ৱেষ্ট বেঙ্কতা অহেনবা বট্টালিয়ন কয়া থাজিনখিবগা লোয়ননা রিজাভিসশিং কৌখৎখি অমদি ইজরেল অমদি গাজাগী মরক্তা লৈবা বাউন্দরি পরিংদা রিইনফোর্সমেন্টশিং থাজিনখি।

ইজরেল্লি পুলিসনা হায়রি, মদুদি মখোয়না লম্বীশিংদা হান্নদগী হেন্না পার্সনেল মশিং হেন্না থম্বগা লোয়ননা মখোয়না হৌজিক কাউন্টর টেরোরিজম ওপরেসনশিংদা মপুং ওইনা মীৎয়েং থম্লে। প্রাইম মিনিষ্টর নবটালি বেনেটনসু ইজরেল্লি সিভিলিয়নশিংদা লাইসেন্স য়াওবা নোংমৈ পায়বশিংনা মীরক্তা চঙবদা খুৎলায় লোইননবা আপিল তৌখি।

# য়ুক্রেনগী ষ্ট্রেটেজিক ব্লেক সি পোর্ট ওদেসাদা এয়রষ্ট্রাইক চথখ্রে, ওইল রিফাইনরি থুগায়খ্রে



কিভ, এপ্রিল ৩ (এজেন্সী):

নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা য়ুক্রেনগী ষ্ট্রেটেজিক ব্লেক সি পোর্ট ওদেসা এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা নিকহনখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিএল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ানা খা থংবা শরুক্তা ট্রুপ মশিং হেৎগৎহন্নবা হোৎনরি হায়না কিভনা ৱার্নিং তৌখিবা মতুংদা ওদেসাদা এয়র ষ্ট্রাইক চথরকখিবনি। ওদেসাদা নোংথক্তগী এটেক্ট চথরকখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টরগী এদভাইজর এন্টোন হেরাচেনকোনা মহাক্কী টেলিগ্রাফ একাউন্টতা ইখি।

মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না মফম খরদা মৈ চাওনা চাকখি। মিসাইল খরদি এয়র দিফেন্সনা লম্মখাংদা কাপথখি। অয়ুক পুং ৬ রোম তাবদা খা নোংপোক থংবা সিটি অদুদা পোকখায়বগী মখোল কয়া তাবা ফঙখি। পোকখায়বগী মখোলশিং অদুগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা অমুবা মৈখু মপৈ অহুম নোংথক্তা কাখৎপা উখি।

ইন্দষ্ট্রিয়েল এরিয়া অমদা মৈরি চাওনা থোক্লা মৈ চাকপসু উখি। এটেক্ট অদু রসিয়ন ফোর্সশিং লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা শরুক্তগী ৱিদ্রো তৌবা হৌখ্রে হায়না থাজনবা লৈরিঙৈদা চথরকখিবনি।

রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনসু এয়র ষ্ট্রাইক অদু কনফার্ম তৌখি। মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, ঙসি অয়ুক হাই প্রিসিজন সি অমসুং এয়র-বেজ মিসাইলশিংনা ওদেসা সিটিগা নক্লনা লৈবা ওইল রিফাইনরি অমা অমসুং ফ্যুএল অমসুং লুব্রিকান্টশিংগী ষ্টোরেজ ফেসিলিটি অহুম থুগায়খি। ফেসিলিটিশিং অদুদগী মাইকোলাইটকী মায়কৈরোমদা লৈবা য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিংদা ফ্যুএল সপ্লাই তৌই।

ফেসিলিটিশিং অদুগী মনাক্তা লৈবা লান্মী অমনা মদু রোকেট নত্ত্রগা মিসাইল ষ্ট্রাইক মাল্লি হায়না ফোঙদোকখি। ইরাই নুমিত্তা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা ট্রুপশিংগী ফিভম শেমগৎপগা লোয়ননা খা থংবা শরুক্তা অকনবা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথনবা শেম শারি।

মোস্কোনা ট্রুপশিং নৌনা অমুক পুনশিন্দুনা মপাঙ্গল শেমগৎনবা হোৎনরি হায়না নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা লাউথোকখ্রৱা মতুংদা জেলেন্সকিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

## ট্রুস এগ্রিমেন্ট য়ুএন চীফনা তরাম্না ওকখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ৩ (এজেন্সী):

য়েমেনগী কনফ্লিক্টতা চেন্নরিবা পার্টিশিংনা থা অনীগী ট্রুস অমা য়ান্নখিবা খোঙথাংবু য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা তরাম্না ওকখ্রে।

গুজটরেজনা ইরাই নুমিত্তা হায়খি, মদুদি থাংজ নুমিত্তগী চৎনবা হৌগদৌরিবা ট্রুস অদুনা য়েমেনগী খ্বাইদগী থুনা মীৎয়েং চঙগদবা হ্যুমেনিটরিয়ান অমসুং শেল থুমগী মথৌ তাবশিং য়েংশিন্নবগী লম্বী ফাৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা পোলিটিকেল প্রোসেস অমুক হন্না হৌনবগী খুদোংচাবা অমা পীরগনি।

য়েমেনগী শাথিরবা লান অদু লোইশিন্নবগী মায়কৈদা থাংলকপা খোঙথাংশিংদা ট্রুস অসিনা অহানবা ওইগদবনি। জোর্দানগী অমানদা ৱারী শান্নবদা অনৌবা খোঙথাং অসি লাকপনি হায়না য়ুএন স্পেসল এনভোই (য়েমেন) হান্সগুনবর্গনা লাউথোকখি।

গুনবর্গনা হায়খি, মদুদি পার্টিশিংনা য়েমেন মনুং অমদি মসিগী বোর্দর ৱাংমদা নোংথক, কংফাল অমদি ঈশিংগী শরুকশিংদা মিলিটরি ওফেন্সিবশিং চথবা লেপ্পবা য়ান্নরে।

মখোয়না হোদৈদা পোর্টতা চঙনবা জহাজশিংদা ফ্যুএল হাপচিনবা অমদি লমদম অদুগী মফম কয়াদা য়ৌবা য়ানবা সানা এয়রপোর্টতা পায়শিন্নবা অমদি মসিদগী পায়থোরক্লবা কর্মসিয়েল ফ্লাইটশিং ওপরেট তৌহনবগী ৱাফমসু য়ান্নরে।

# ‘য়ুক্রেনগী কিভ রিজন রসিয়নশিংদগী মপুং ফানা লিবরেট তৌরে’



কিভ, এপ্রিল ৩ (এজেন্সী):

চয়োল কয়া কন্না লান্থেংনরবা মতুংদা কিভ রিজন অপুম্বা রসিয়ন ফোর্সশিংগী লিবরেট তৌরে হায়না য়ুক্রেনগী দিপ্যুটি দিফেন্স মিনিষ্টর হনা মালিয়ানা লাউথোকখ্রে।

সোসল মিদিয়া পোষ্ট অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি ইর্পিন, বুচা, হোষ্টোমেল অমসুং কিভ রিজনগী অতৈ মফমশিং ইনভেদরশিংদগী লিবরেট তৌরে। কেপিটেল কিভ অমদি অৱাং থংবা সিটি চার্নিহিপকী অকোয়বদা কম্বেট ওপরেসনশিং হন্থরগনি অমসুং নোংপোক থংবা লমদমশিংদা ওইনা মীৎয়েং থল্লগনি হায়না হৌখিবা চয়োলদা রসিয়ানা লাউথোকখিবা মতুংদা য়ুক্রেনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা ৱাফম অসি লাউথোরকপনি।

রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা লান্দাবা হৌখিবদগী কেপিটেল সিটিদগী কিলোমিটর ৪৬ রোম লাপ্না লৈবা ইর্পিনদা য়ামদ্রবদা মীচম ২০০ শিখ্রে হায়না য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ক্লেম তৌখ্রবনি।

বিবিসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ভাইওলেন্স মরক্তা মীওই ৭০,০০০ ইর্পিন থাদোক্তুনা চেনখি। কেপিটেল কিভকী অৱাং নোংচুপলোমদা লৈবা ভুটচা টাউনদা শাথিরবা এটেক্ট কয়া চথখিবগা লোয়ননা সিভিলিয়ন কয়া শিখি।

টাউন অদুদা রসিয়ন ট্রুপশিং হৌখিবা চয়োলদা চঙশিনখিবনি। ভুটচাগী মেয়র এনাটোলি ফেদরুক্লা ক্লেম তৌখি মদুদি অমাঙ অতা চাওনা থোক্লবা টাউন অদুগী লম্বীশিংদা অশিবা হকচাং কয়া চায়রগা লৈ। মীওই ৩০০ রোম ফুম্বা অচৌবা মোঙফম অমসু থেংনখি।

ট্যুটর পোষ্ট অমদা য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্টগী এদভাইজর মাইখাইলো পোদোলয়ানা হায়খি, মদুদি হকচাংশিং অদু মখুৎ পুল্লগা লৈরমখি অমসুং মখোয় হেক য়েংবদা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখিবনি হায়বসিনি খঙবা ঙম্মী।

ভিক্তিমশিং অদু মিলিটরিগা মরী লৈনদে অমসুং মখোয় খুৎলায় পায়দে হায়নসু মহাক্না ক্লেম তৌখি। রসিয়ানা লান্দাবা হৌখিবদগী রসিয়ন ফোর্সশিংনা এয়রফিল্ড অমা পায়শিন্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা হোষ্টোমেলদা নাকল অনীগী মরক্তা কন্না লান্থেংনখি।

চৈরকসিদা লান অসিদা য়ুক্রেনিয়ন ষ্টেটনা থা অমদা দোল্লর বিলিয়ন তরারোম চাদিং তৌই হায়না থাংজ নুমিত্তা য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্সিএল ৱেবসাইটতা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমনা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী দেটা পল্লদুনা হায়রি, প্রসিদেন্সিএল প্রেস সার্ভিসনা ফোঙদোকখিবদা য়ুক্রেননা রসিয়াগা লান শোক্লবদা থা অমদা য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন ১০ রোম চাদিং তৌই।

ষ্টেটমেন্ট অদুদা য়ুক্রেনগী লানগী চাদিং ফাইনান্স তৌরিবা ছোর্সশিং অদুগী মনুংদা লৈবাক অসিগী মশাগী ওইবা টেক্স রিভেন্যুশিং অমসুং য়ুক্রেনগী ইন্টরনেসনেল পার্টনরশিংনা পীরকপা মতেংশিং য়াওই। রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা লান্দাবা হৌখিবগা লোয়ননা নুমিৎসিদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা লান শোক্লরকখিবনি।

# শ্রীলঙ্কাদা ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখ্রে, মীওই কয়া ফাগৎখ্রে

কলম্বো, এপ্রিল ৩ (এজেন্সী):

শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট গোটাভয়া রাজাপক্সানা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিদা ইম্মর্জেন্সি লাউথোক্তুনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা খুদক্তগী চিঙনবা মীওইশিং ফাবা য়াবগী ওথোরিটি শিন্নখ্রে।

লৈবাক অসিদা ইকনোমিক পোলিসিশিং নীংথিনা মেনেজ তৌদবদগী শেল থুমগী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লকপগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরদুনা মীওই কয়া কয়ানা কেপিটেলদা পুন্দুনা ইরাং হৌখিবা মতমদা রাজাপক্সানা এক্সট্রা ওর্দিনরি গেজেট অমা ইস্যু তৌদুনা পব্লিক ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখিবনি।

প্রোটেষ্টর কয়ানা প্রসিদেন্টগী রেসিদেন্সতা থোমজিন্নবা হোৎনখি। শ্রীলঙ্কাদা হৌজিক পব্লিক ইম্মর্জেন্সিগী ফিভম লৈবগা লোয়ননা অকনবা লোশিং চৎনহনবা মথৌ তাই হায়না প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মদুদি লৈবাক অদুদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদু য়েংলগা অমসুং পব্লিক সেক্যুরিটি অমদি পব্লিক ওর্দর প্রোটেক্সনগা লোয়ননা মীয়ামগী সপ্লাইশিং অমসুং তঙাই ফদবা সার্ভিসশিং মেন্টেন তৌনবগীদমক্তা গেজেট অদু ইস্যু তৌবনি।

হৌজিক চৎনরিবা কার্ফিয়ু থুগায়বগীদমক নোংচুপ থংবা প্রোভিন্সতা শ্রী লঙ্কান প্রোভিন্সনা মীওই ৬৬৪ ফারে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস নিহাল থালদুৱানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, মীওইশিং অদু থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১০ অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা ফাখিবনি। নোংমাইজিং নুমিত্তা মীয়াম্না পাক্তক্লনা প্রোটেষ্ট তৌনবা শেম শাখিবদগী গভর্নমেন্টনা লৈবাক শিন থুংনা পুং ৩৬ হায়বদি থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৬ তগী নিংথৌকাবা নুমিৎকী পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু লাউথোকখিবনি।

চেকশিন থৌরাং অসি প্রসিদেন্ট রাজাপক্সানা লাউথোকখিবা ইম্মর্জেন্সিগী মথক্তনি। কার্ফিয়ু লাউথোক্লবা মতুং পুং খরগী মতুংদা প্রসিদেন্টনা গেজেট অমসু ইস্যু তৌদুনা মীয়াম্বু লম্বীদা চৎপা, পার্ক, রিক্রেসন নত্ত্রগা অতৈ রাউন্দশিংদা লৈবা রেলৱেশিংদা পুনবনচিংবদা অথিংবা থমখ্রে।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST**

**/ NOTICE FOR OBJECTION**
**Dated, the 30-03-2022**

**No.1/prop/SR/2021(IE):** It is hereby notified for general information, that an application has been received by this office from the **S.T. Foundation** on 30/03/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Manipur Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rule, 2004 within the area of operation of Khurai, Imphal East District.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhar of the complainant or Secretary with seal for Assn./NGO/Orgn) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./Organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complain/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **S. Mahendra Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.

HL-P/2146/4

**/অমাংথোঙ ময়াদা পোন্বা, অমাংথোঙদা মফম অনী থোক্লা মখুল হুৎলগা নাই চারকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবগুম তৌবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, খোঙ হান্বা মতমদা মরক-মরক্তা ঈ তারকপা অদুগা অমুক ফরগা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা ঈ তারকপা অসুম তৌরগা লৈবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ য়াম্না চৎপা, অমাংথোঙদা য়াম্না শাগৎলগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোন্বা, অদুগা নাকন অমদা অমা অমুক পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা পোমথোরকপা অদু অনী শুরকপা, অমাংথোঙদা মফম অনী থোক্লা মখুল হুৎলগা নাই চারকপা, নাই অদু ওমখৎলমদাইদা মখুল হুৎফম অনীদু নারকপা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগনা করিসু তৌদবা, নুমিৎ ২/৩ মতুংদা নাই অদু অদুম ওমখৎলকপা, নাই অদু অদুম ওমখৎলকপা অদু মেৎথোকপা অসুম্না অদুম তৌবা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবগুম তৌবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, শৌজ অদু মশানা হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, খোঙ হান্বা মতমদা মরক-মরক্তা ঈ তারকপা অদুগা অমুক ঈ তাবা অদু ফরগা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা ঈ অদু অমুক তারকপা অসুম্না তৌরগা অদুম লৈবা, শা-ঙা চারগনা ঈ অদু তোয়না তারকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পূকচেপ নাবা, অমাংথোঙদা য়াম্না তোয়না নুংশিৎ চৎপা, অমাংথোঙদা য়াম্না শাগৎলগা লৈবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, অমাংথোঙদা চক-চক থিল্লকপা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না হাক্তৎচবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা য়াম্না চিকপা-নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Y. Basanta Meitei**
Yaiskul

HL-B/7498/4